প্রিকংগো বা

সুকিংশী মা



রাহৈ অমমিকং

শ্রীরন্দ হৈক্রু জাম্বগী শৈরেং কয়ামুক্তী খোমজিনবা—"পুক্নিংগী রা" হায়বগ্নি অমুক্তা পাবনা য়াদত্তুনা অনী অহমমক হয়া পারে। মওং অমনি। শৈরেং খরদি অর্থ ভাগ্ হেক লাকশিনবদা য়ায়। খয়া কুপ্পা খয়রগা অর্থ খোকপগুম ত্তৌই। নহা ওইরিবা কবি অসিগী মুর্তিসি—পুন্সিবু খগুনীংনা য়েংশিনবা, অগুকপা খগুদবা কয়াম্ন খেংনবা, খগুলবোই নীংলুবম্ন অমুক খগুলক-বগুম তৌবা, অচুম্নবুদি য়ায়া পামজবা, পগুশাউ শাউরুবগী দরকার লৈতে হায়নম্ন খল্লোকপা, পুন্সিবুম্ন মুংশিবা, জগৎ পুম্নবুম্ন মুংশিগে হোংনবা, মুংশিনীংবা, মীশক অমা ওইনা ঐহাক্না উই। খোজেল হৌদে… তুমিন্না মুংকম মুকথং শোনবনি, ভগ্না হায়বনি মোঙ্কা।

শৈরেংগী পরেংশিংসে চুম্নগী খল্লগা খোয়কপা নত্তনা খগুহৌবনা পুক্নিংগী তোঙান তোঙানবা মরোলদগী খোয়কপনি হায়নম্ন লোৌয়ে। চুম্না অন্নম লৈরম্বদগী খাক অমদগী খগুহৌদবা কজবা শৈরেংগী মশকম্ন খেংনদবা নত্তে। মতাং খরদি লৌখম্নবা তমদে। "মীং উইশিন্দুনা অচীকপদা / অকোম্বা য়েংছুনা/ অমম্বা মরক্তগী / শংকে নীংলেনে রাহৈ অমতং/" (পুন্সিগী অর্থ, লামায় ২)। য়াম্নমক কজবা প্রমাণনি। অমুকম্ন — "অয়োনবা অরৈবা অরীগী কুহৈদা / মিতাঙিবা মীরয়েংনা হংলি থংখোয়দা / ভরক ভরক তাদয়া হায়ল্লা? মীমিললা চম্রবা লাংলবা মকমদা /" (হিংনীংবগী মরাই—লামায় ৮) থাজদনা

পুখংলকই। অমুকস্তু মালেমবু ইমানি হায়না লৌরগা, কোরৌবু পস্থৌনি হায়না লৌরগা মমীং অনীমক উইশিল্লগা হায়রকপা -"পশেম তেংথা তাবদা / পস্থৌ থম্বোয় কায়তুনা / অতিয়া কৌবা মীশুগী / শিরাং ওইনা তাবনি /" (য়াইক পাউজেল, লামায় ১৯)-তাবদা মুংশি। অমুকস্তু মণিপুরগী লুকমায় পানবী অহল অমগী মশক লৌরতুনা পুন্সিগী চেকশিন্না থমজরবা করাবু খেন্দুনা থম্বদা থঙবিত্রবা তাইবঙগী ভাব লৌরতুনা হায়রকপা "তাইবঙ কৈথেলসিদা / কাউনরবা অরাবা / ফম্নি চাইথোক্তুনা / লৈবিত্রবা পোং ঙাক্তা ইমাঙদা /" (শান্নবা মীংল্লাদা, লামায় ৩০) নীংথিজবা পয়েংনি।

লাইরিক অসিদা য়াওরিবা শৈরেং অমনিদি লাই তোংলবা মাইবীগী মাংফম লৌবগুম্না উই। চুম্নগী রাথলগী নম্বোদগী থোরকপা মান্দে। কবিনা য়েংথোকখিবদা শেল্লোংগী পুখমনা, চৌকিনা, অরাংবা পাম্বীনা, য়ুমগী থোংজাউনা মঙাক্‌ম্না থেংনরকপা অমম্নং রারী শারকপা, লোইশিনবদা "খোয়েন মংলান মংলম্মি / থরায় কৌবদো লাক্লম্মি / এতোন্দা মানা তাক্লম্মি / পুম্নমক ঐগুম্বনি উংলম্মি / ঐনা ঙক্লুনা য়েংলম্মি / মায়কৈ পুম্বা ঙাল্লম্মি /" (মায়কৈ পুম্বা, লামায় ৫১) মিস্টিক এক্সশিরিয়েন্স অমগী মশক লৌই। অমুকস্তু "ঈশৈ অমা তারকই / মাকোং ঐগী মেল্লকই / অর্থ অতুগী খল্লকই / মরৈ কন্না য়েংলকই/ রাথলনা ঙমতুনা ইল্লকই / ঐনা লাপ্না থোক্লকই /" হায়না হৌরগা লাইরিক পাকমদা, কুশৈ মকমদা, য়োৎক্লগা লোইশিনবদা "ইন্থাং কৈথেল উরকই / মীয়ামদো লাঙবা তারকই / পৈশানা ঙাংনা য়েংলকই / মমলনা তুকথনা কম-

হৌই / রাখলনা ঐবু চিংলকই / খুদি থিন্না হল্লকই /" (খুদি থিনা, লামায় ৬৮) মসিদা চোংথোকল্লিবা রাহৈ খরগী মূর্তি-শিংসে পুক্লিংগী অরাংবা থাক অমদগীনি। অসি নত্তবা ফনা ফজৈ হায়না লৌবা য়ারবা শৈরেংশিং "চোকখল মনুংদা", "অমত্তা ওইবা", "উপালনা ভাঙহৌবা", "অউবা ঈশ্বর" হায়ব-নচিংবা খরসু পনবদা মতিক চায়।

শ্রীনন্দ হৈক্রুজাম্বু ঐহাক্না নহা ওইরিবা কবি অমা ওইনা তরায়া ওক্লি। মতমগী চংনরিবা "অশাউবা কবি" ওইবা ভমদে হায়হূনা নীংবা কায়নীংঙাই লৈতে। মহাক্কী হনবা নাইত্রবা পুন্সিবু খঙনীংবগী মীংয়েংদা জগংকী পদ'াশিং অসি মথং মথং হায়দোরক্কুনা মুমিংকী মশক ওইরবা অচুম্বহ্ অস্নম অস্নম থেংনরবকপা ওইসনু। জগংকী শক্লোন অমতা নত্তে। খক্তা মরোন তরেং, খাদা তরেং মরোম তরামরিদা লোংতুনা লৈরিবা মালেমগী শকফম্নি। অরোইবদা অইবগী অসিগুম্বা শৈরেংগী লাইরিক অসিনা অসিগুম্বা খোঙচং অমদি হৌরে হায়বা প্রমাণ তৌরি।

ইম্ফাল

তাং ১৫ । ৯ । ৮৫ ইং

শ্রী এলাংবম নীলকান্ত সিংহ

এলাংবম কৈকাই

কংথোকচবা

ইমাদা

'Pookningi Waa' is an anthology of Manipuri poems written by Nanda Heikrujamba of Keishamthong Hodam Leirak, Imphal—Manipur-795001

কোঙস্রবী: শ্রীমতী হৈক্রুজম ওংবী সুমতি দেবী
কৈশামথোং হোদাম লৈরক, ইম্ফাল

কোঙবা চহী: ইং কুম ১৯৮৫

কোপী মশীং: চাতরুক

ইথিবা মতম: ইং কুম ১৯৮৩-৮৫

মথুম য়েকপা: শ্রীঅরিবম চিত্রেশ্বর শর্মা

ব্লোক শাবা: শ্রীইবোহল সিংহ

নম্ফম: মনোরমা প্রিন্টিং প্রেস
উরিপোক খাই ব্রহ্মপুর

ফংফম: মনিপুরী সাহিত্য পরিষদকী দুকান
পাউনা রোড, ইম্ফাল

মমল: লুপা ৫

য়াওরবা শেরেংশিং

অঙ্ক অমা

পৃথ্বীসে অঙ্ক হোংলিবনি
কল অমগী ঙাইরিবনি।

তিনশিন্দুনা কয়াম্থু য়েংলিবনি
থাইদোক্তুনা কয়াম্থু খোংলিবনি।

পৃথ্বীসে অঙ্ক হোংলিবনি
কল অমগী ঙাওরিবনি।

পুরিহুনা কয়াম্থু য়েংলিবনি
রেমহুনা কয়াম্থু খোংলিবনি।

পৃথ্বীসে অঙ্ক হোংলিবনি
কল তাদহুনা ৱারিবনি।□

পুন্সিগী অর্থ

হে মপু !

ঙম্নরোইদবা ৱাখল অমমা

ঐবু ঙাওহল্লে

অঙাওবনি হায়রগা

ইকাইবা করিমত্ত পোক্লক্কে।

থম্মোয়নে মুল্লে চীংঙম্বা ৱাহৈমা

কোংদোকপদি ৱারে

থাংবা ঙম্লক্কে।

মীং উইশিন্দুনা অচিকপদা

অকোম্বা য়েংহুনা

অমম্বা মরক্তগী

শংকে মিংলেমে ৱাহৈ অমতং।

হম্না হম্না হোংমহুনা

খুংনা লাম্না শায়হুনা

চিংলক্লে মরুদি ৱাউদনা।

অতংপা লৈমাঙম

মচেং মচেং শিঙুনা

কুম্বা মমহুনা

কংলক্লে মঙোম্না পুক্নিংনা।

পুক্নিংগী ৱা/৩

খুইগদরা খন্দুনা মথন্তু
মচুগী নৈনাশিংদো
তেকথংহনগে নিংথুনা
পিরাংনা লিক্লাগুম নপহল্লে।
ঐগীনি হায়বা ইদ্রবদা
পুন্সিগী অর্থ শেংলবদা
মায়কৈ খঙদ তুরল্লে
ইখুং লোম্না নোঙরে। □

পুক্নিংগী ৱা/৪

ভাউখৎপরা খণ্ডদে

লাউহৌই সুপান্থনা
ওসিদগীদি—
'নখোয় নুংঙাইরো
নখোয় হৱাউগো'
হায়নুনা।
য়েক্লবা নৈত্রবগুম
মরু^কুম থন্দুনা
থম্মোয় খুদিংবু
মীপুম খুদিংগী।
তারগা ৱাংদো
নোকপন্থু য়াউখি
কপ্পন্থু উখি
অর্থ খেন্নবনা।
'অৱানবদি তৌদে
ওইদবদি ঙাংদে'
খঙই মীওইদো—
তাকই মীংনহানা।
চৈফম উত্ত্রবা
শোক্লবা মীংস্নান্থ

পুক্নিংগী ৱা/৫

মরক মরক্তা
থুমহৌই পিরাংনা।
চৈনদ ক্ষুরগা
কপ্তেনে মীওইবা
নোংমৈনদ পাল্লগা
শোক্তেনে থম্মোয়সে।
পৃথ্বী পুম্ববু
তশেংনা মুংশিবগী
কল্লবা ঈরৈদা
ৱাখলনা উংলুরবা!
ঈংনফাউ য়োদনা
থরায়না কোঙ্গোলগুম
তাউখৎপরা থঙদে।□

পুক্নিংগী ৱা/৬

করিগী

খুষ্টনা পোক্লিকৈ
চহি ৪৭০ গী মমাঙদা
মালেম্না শিন্নখি মুপা অমা
ৱাখল লৌশিংদা চঙ্খোনবা
য়েংনবদা মপা নৈখিদবা।
মশকন্থু থিরবা
নাত্তোনস্থু নম্মবা
অঙাওবগুম মকোইস্থু চোমখিবা
শেংনবদি তাকপীনু
মমিংতদি হংবিনু
তাক্লোইকো থরায়না নৈরিমখৈ।
য়াদবা থোক্কুনা
শগনসে পুম্নবা
ফুহুনা হংলবা—
"পৃথীদা পোকপনি
মালেমগী মচানি
মমিংনা তাইখঙ কৌবনি"
অসিত খুমগনি
অরোইবা মতমফাউ।

পুক্নিংগী ৱা/৭

করিদি কাম্নি ?
হংবগী তোংজনি ?
ঈথক্না তোইরবদা
শম্বলনা থল্লবদা।
তাক্লবা নাইদরা ?
হৌজিকসু হংদরা ?
করিগী মেংলিবা নুপীগী খোজেল ?
করিগী হাপ্লিবা উচেক্না মশা ?
করিগী ঈংলিবা পামেলসে লেপ্লিবা ?
করিগী থল্লিবা পুক্নিসে ৱাঙিবা ?
ঙসিসু লোংলি শামুসে ঊরক্না।
হৌজিকসু তাইরি নোংশাসে লমহাংদা □

পুক্নিংগী রাগ

হিংনিংবগী মরাই

অয়োনবা অরৈবা অনীগী কুম্মৈদা
মিতারিবা মীৎয়েংনা হংলি খম্মোয়দা
"তরক তরক তাদবা হায়না ?"
মীনিলনা চন্দ্রবা লাংলবা মরুমদা।

খল্লিঙৈ পাউথুমগী লাউরক্লি অরাম্বদগী
পুন্সিগী পশ্নুংনা অহৈবা খোঞ্জেলদা
'মুংঙাইরিবরা' 'নৈনিংলিবরা' অসিত হায়চুনা
থোক্লবা হাণ্ডম মুংগী মরক্তা।

খল্লবগী খম থেংবদা লোংলবদি
পাউথুম পুন্নমক অসিগুম্বা অরুবা
পীবিয়ু নংগী মরিক অমতং
লৈয়েংদা রাখলদা হকচাংদা অচম্বা।

হায়রিঙৈ তামথরে পুক্নিংনা অরাম্বদা
চীংয়া তময়াদা শক্তিক চারিবা
ইরোইশিংগী মচিদা মরুমদা তোংলিবা
অঙৌবা উরোকশিংদা হায়রুনবা 'পাইরো'।

পূক্নিংগী ৱা/ক

লৈকানি অঙৌবা কুণ্ডোগী মশানা
মীংকম খোংবা য়াদে করিগীনো ?
পাইথংলক্লে অতিয়াদা পরেং শানা
চেপ্পা য়েংহুনা চিথ নাম্হবা।

তারমদাই সুমিংকী মশেক্লে ঙাঙানবা
লৈচিলগী মচুনে পূক্নিং হুবা
লৌবুক লম্মাংগী মওংনে অঙৈংবা
পূমণুম শুম্মাংলে হিংনিংবগী ময়াইনা। □

হায়রমগদবা

লাউবস্তু ঙমদে শোক্লবা
ঙাংবস্তু ঙমদে রানবা
'তুংদা উরক্কনি খঙলক্কনি'
অসিতনি ঐনা হায়রমগদবা।

উবা য়াবা উরক্লে
খঙবা য়াবা খঙলক্লে
'তুংদা উরক্কনি খঙলক্কনি'
অসিতনি ঐনা হায়রমগদবা।

লৌরোইদবা মীদা পীনিংদে
তানিংদবা মীদা তম্লিংদে
'তুংদা উরক্কনি খঙলক্কনি'
অসিতনি ঐনা হায়রমগদবা।

কাবস্তু ঙমদে রাংমল্লি
থুংবস্তু ঙমদে লাপমল্লি
'তুংদা উরক্কনি খঙলক্কনি'
অসিতনি ঐনা হায়রমগদবা।

পৃথ্বীসে লৈপাক মতুম্লি
জীবনা মতুংগী মকুপ্লি
'তুংদা উরক্কনি খঙলক্কনি'
অসিতনি ঐনা হায়রমগদবা। □

নোক্লিবা কাওবু

হে খুন্নাই নংগী নরক্কগী
শীংজন্দুনতা চাজবা লাইরবা নুপাহুনা
শীংনাংগী চাংথক্কুদা য়ানা কারগা
শীংদি থিগে থক্রহুনা মখুঙ্‌না
নোকহৌরিনে ফল তারে হায়হুনা পৃথ্বীগী।

হে খুন্নাই নংগী নরক্কগী
ঈনজিংহুনতা হিংজবী অমোংগী নুপীহুনা
মহা ঙাক্কা কারবা নুমিত্‌দা
মুনা য়েংলহুনা থক্রবা তুঙ্গোলহুদা
নোকহৌরিনে ফল তারে হায়হুনা পৃথ্বীগী।

হে খুন্নাই নংগী নরক্কগী
নুংত থুগাইহুনা পুন্সি কেমদোরবা
চক্কগী মোম্পাক্কা হিপ্লিবা নুপাহুনা
লোংনা হিপ্লহুনা লূম্লবা ফমুংহুদা
নোকহৌরিনে ফল তারে হায়হুনা পৃথ্বীগী।

হে খুন্নাই নংগী নরক্কগী
ফিশাহুনতা হিংজবী য়াঙ্গংবী নুপীহুনা
খোঙ খুংকী তাম্বাহু তপথরহুনা
ঙাইহাক্কং য়েংলম্লগা উরক য়ারক্কা
নোকহৌরিনে ফল তারে হায়হুনা পৃথ্বীগী।

পুক্নিংগী বা/১২

হে থুমাই মংগী মরুওগী
পৃথীবু পাকই হৌজিকপু য়েংলিবা
করিগু খঙত্রে ঙাংনবা মীগুাংবা
মুপাহুনা লৌবুক্তা শম্পোং খোইরিবা
নোকহৌরিনে কল তারে হায়রহুনা পৃথীগী।□

অপাইবা লৈচিল

নুংশিবা ধূপকী মৈথুরা?
অঙকপা কঙ্খীদগী হৌংকপা।
নত্রগা লশিং মফোল্লা?
অচৌবা তুইদ্রিদগী কাপলকপা।
মওল মওল খল্লক্লে
অপাইবা লৈচিলসে উবদা।

উলগী চীংজাউরা থাংলবা?
উপাল থাপাল্লা লিরবা?
লোক লৌখোংলা ঙম্নবা?
তম্পাক্লা মহৈ ময়োংগী?
পাং পুখ্রিগা মশাগী?
খুম ইখোল্লা চখোনবা—

শাংলবা তুরেলস্তু চেনগুমই
মথক্তা হিরেনস্তু হোনগুমই
তোর্বানস্তু শেক্তাস্তু উগুমই;
মখল মথা য়াম্নবা
ঙাগী শঙ্গ কাওবুনা
মথং মনাও চেনগুমই।

পুক্নিংগী বা/১৪

শামু শগোল ঊটকুম্বা
কংফালগী জীব কয়ানা
রাংনা কাহুনা লেপকুমই ;
মশা পানবা ঊচেকশিং
মরি মরি পাইগুমই
অনৌবা অতিয়া উগুমই ।

থম্মোয় লকা নুংসিদা
মতম কুইনা য়েক্লম্বা
নৈখিব্রবা অহল-লমনশিং
থংনা থংনা উরকই
মুনা য়েংগুম নিংলকই ।

নত্রগা শকয়েং মিংশেল্লা ?
থন্দুনা মথক্ত নৈবরা ?
মতুদা মমিদো তাবরা ?
লেপ্লিবা মালেম অসিগী ?

মওল মওল থল্লকই
অপাইবা নৈচিলসে উবদা । □

ওমথিঙ্গবা

পিক্লা মখোক শাংবনা
মরেং মরেং চত্তুনা
মালংবা লাক্লে তাক্লিবা
লম্মীগী মত্তাইদা হৌরিবা
ম্নাংনা চাউনা শন্দুনা
কোম্নৌগী মঙালস্থ খল্লিবা
য়েংবগী পেনবা নাইদবা
করম হায়না ফোঙসিবা ?

লেপ্তুবা ঘড়ী লৈচিলনা
চেমশিনবা নুংশিং ঈশিংনা
উদবা মতমগী মওংনা
য়েম্নিং থাগী মতমদা
চেরৈগী মওংস্থ মাল্লপ্না
মীংয়েংদা কল্লকপা পীম্নিবা
চিংথোক্কে খনবদা ম্নারিবা
করম হায়না ফোঙসিবা ?

তাইবঙ কৌবা এখোয়স্থ
মাম্নবা থম্মোয়গী মচুনা
অঙ্গংবা ঈচেলগী মীংয়েংনা
চাউম্নবা পাম্মীগী মশাদা

পূক্লিংগী ৱা/১৬

মতম খরগীদমক্তা !
নখোয়গুম নম্মনি খম্মবা
থিজবনি লম্বী অমতং
করম হায়না কোঙসিবা ?

থোইরাস্নু অমুক মানগুম্বা
খোইনা নক্লা পাইগুম্বা
নওং নতৌ য়েংলগা
তাইবঙস্নু ঐবু কোয়রিবা
অরাইবা তাম্থা অমদা
পামজবা ঈশৈ শক্লবোই
খল্লেমে পূক্লিংনা খোঁরাংবা
করম হায়না কোঙসিবা ?□

অমংবা অয়ুক্কা

উত্তোম রাত্তোম খিবিকপু
নোম্মা হাইনা কেহনবা।
মশা মরেং মখৈবু
খেক্লা খোয়না খাওহনবা।
মঙ মপাল পুম্ববু
তক্ক থেংনা ঙাহনবা।
মপু মঙ্গী উদবা
করি পাওমেলনো খনবদা!
পুক্লিং পেংনা নৌরক্লে
য়েংগে য়েংনা পেন্দরে।

অমংবা অয়ুক অসিদা
হৈংপাল লৈপাল মরক্তা
হৈনম লৈনম্মা হাবনে
মতৌ মওংনা নৌবনে
মালংবা মাগী শক্তমদা
হানৌনা মচু ওনবনে
উরে উনা খঙঙমদে
খম্মোয়সে ময়োল চোংলক্লে।
পুক্লিং পেংনা নৌরক্লে
য়েংগে য়েংনা পেন্দরে।

পুন্নিংগী ৪/৮

অপাইবা উলা অনীথক
ওয়া থোইনা তামখিদো।
অংকোবা অয়ানবা ফিজোলশু
হাইনা হুয়া থাঙখিদো।
অকোম্বা চিনা মথেংশু
মরোল অদি থোকখিদো।
অসুম্মা অসুম থনবদা
নৈতোনা কন্দা ওমদক্কে
মওল মওল লেপলক্লে
য়েংলে য়েংনা পেন্দরে।

অনেম্বা নাপি শীংবীনা
লেংদ ঈংনা লৈরম্লে।
অতিয়া মকোয় শুংবশু
অরোংপা ওয়াক্কনা থল্লম্লে।
কোয়না কৈনা য়েংবদা
থওদবা ওয়াক্কা ওয়ায়কম্লে।
উরে উদে য়েংনরে
থাম্বা থৌদি ওমদরে।
মরু নাবনা পায়নীংলে
মেংগে য়েংনা পেন্দরে।[]

য়াইফ পাওজেল

মালেম কৌবী পলেম্বু
মীৎয়েংনা কোয়না য়েংলগা
থম্মোয়দা মমি তারকপদা
ইমীং অমা ঊইশিল্লে।

কোয়ৌ কৌবা পম্খোবু
নুঙ্গা নোম্মা য়েংলগা
থম্মোয়দা মমি তারকপদা
ইমাং অমী উইশিল্লে।

তাইবঙ্গ পুম্বা নচানি
থরায় খুদিং মান্নবনি
ঙৈশিংনা য়োকপা মপোক্কি
চিঙ্গাক্কা হিংবা ঙাক্তনি।

পলেম তেংথা তাবদা
পম্বৌ থম্মোয় কায়হনা
অতিয়া কৌবা মীস্বগী
শিরাং ওইনা তাবনি।

নচাগী রাখন্না ঙাওহনা
থম্মোয়দা মৈরি ফুম্লগা
পলেম নংমা শিরাংবু
নথাদা ঊংনবা লোংপনি।

পুক্নিংগী বা/২০

পন্থৌ শুগনা হেনবরা?
পলেমগী থম্মোয়না চাউবরা?
খঙদবা তাইবঙ কৌবনা
করম হায়না ফোংগনি?

উতোন রাতোন খিবিক্লা
পন্থৌ য়েংনা কারগা
পলেম নঙোন্দা মোঙবা
পুক্নিংদো পুক্নিংনা খঙজরে।

মপু মাগী মফমদা
পলেম পন্থৌ অনীনা
নচাশিংগী ইছুং শিন্দুনা
য়াইফ পাওজেল নিবিয়ু।□

পুক্লিংগী মশি

মপোক অমদা—
'ধর্ম্ম লৈবা মীনা
কয়ারক পোকই ?'
মপোক অমদা—
'ধর্ম্ম লৈতবা মীনা
কয়ারক শিনৈ ?'
অসিত নত্তে
মীত্তাংলবা শক্তোগী বাহং—
'নত্তবা নোংমৈসে লৈ
লান্দবা মীগী মফমদদি ?'
তাবদা পলেমস্থ থোক্লকুনা
হায়মিন্নখি পূন্না—
'মখোয়না পুথ্রী
ঐনা মহুদা কৌবা
অশোন্না থন্বাল।'
তারগা মখোয়গী বা
শোনখিবগুম তৌখি ঐনা তুমিন্না—
'মখোয়না খল্লি ওইহনগনি ঐবু
অচৌবা লোয়শঙগী ফমদোংবা।'
কয়ারক হোংনখি
থঙননবা ঐঙোন্দা
অশোয়বতনা ওঝানি নংগী
লেপ্পবত হোংনৌকো মখোঙনা।'

পুক্নিংগী য়া/২২

থুম্বা ওমখিত্রবা পাওখুম ওইনা
পুরি ঐনা পোংলুম ওইনা
অঙাং ওইরিঙৈগী য়াহৈ কয়া।
থাফমদো থিরে অচীকপাদা নোংমা
ইমীং অনা উইশিন্দুনা
মুত্তি অনীদো য়েংলগা—
শীগে খল্লে অসি হায়না—
'অচুম্বনা মহৈ য়ানবা
অয়ানবনা অশোয়বা।'
মীং পাঙথোক্লকপদদি—
মাংখরে থিকম খঙদনা মুত্তদো।
পীরম্লগা পিরাংনা
পাওখুমগী পাওখুম ওইনা।
তাঙৌবা মালংনা পুংনা
নৈরোন চনখরে মতুম্সু—
পুক্নিংগী মণি কয়াগা লোযননা
ইঙৌত্রবা আশা কয়াগী তুংইন্দুনা।□

ইচলদা

ঐরেগী নুংশিবী ইচলগী
মায়খোংদি থাজমা তম্লিংঙাইইনি
ফিজেৎস্থ লৈচিলনা কৈদৌনি ?
শল্লাংনা জুম জুম তাবনে
হকচাংনা থৈনা খোংপনে
খোঙথাং খুদিংনা তপ্পনে।
মীংফম হোংবা য়াদেনে।

পাস্থ ময়েক শেংবনি
পীশুমস্থ মপুং ফাবনি
মীংচি মীংমৈস্থ লূবনি।
চীনবাপ্পা পীরুং মাননে
য়ান কুণ্ডোগুম ঙৌবনে
খদাংনা তুমতক তাবনে।
মীংফম হোংবা য়াদেনে।

তঙাং তঙাংবা খজাইনি
তোংতক তাবা লাইবক্লি
রাসি লৈবা নাতোম্নি।
নাপন্না মগুণ লৈবনে
খৌরিনা লিক্লিগুম লূবনে
পাম্বোম্না পুমবুম তাবনে।
মীংফম হোংবা য়াদেনে।

পুক্নিংগী ৱা/২৪

খোঙসু তোনসু মায়বনি
য়েংবগী পেনবা লৈত্তবনি
শমক্রুনা অমুকসু খোৗগংপনি।
চেংলবা খ্বাংনা নীংথিবনে
তুংয়াংনা লোইগোই তাবনে
মতৌনা অমুকসু ঈংবনে।
মীংকম হোংবা য়াদেনে।

থকসি খাসি নাইবীনি
ৱাঙাং ৱাতা থুম্বীনি
চাকচা হুথক কামদবীনি।
ভুবা নোম্বনা কনবনে
মকম মতম্মা থঙবনে
মপুগী খৌজালনা ঙানবনে।
মীংকম হোংবা য়াদেনে। □

অঙৌংবা মায়থোং

নুপী অমা থিরি
য়েংলি ঐনা কোয়না
মতম কয়া মাঙনা
ইথৌ কয়া শিংন্না।

নত্তে তাল্লোই ওইনবা
ইমা ওইনা খুরুমগে
ইচল ওইনা নাঙগে
কুম্মৈনি অচম্বা ব্রাখলগী।

ফজবা অদ্ভুত য়েংগনি
নীংথিবা অদ্ভুত খনগনি
অঙকপা মাগী মগুণনি
লৈশেম মাগী পুজানি।

চংলে লাপ্না উরে
ফজে নীংথি তুংদগী
তান্নরে কন্না তান্নরে
থাম্লে লেপ্লে মমাঙদা।

কুহু কুমেন চংখোল্লি
মশম মনা মরাক্তে
রাসি য়াম্না লৈবাক্নি
ঙক্লে য়েংলে শুমহংলে।

পুক্লিংগী ৱা/২৮

কল্লকপা অমা শোক্লুৱে
লৈৱাং ওইনা শাংকুল্লে
নিংঙোল মায়থোং উৎদা
মপুগী গুণনা ঙাওহল্লে।

ৱাহৈ অনী থোৱক্লে
থেংনৱে শাউবা শাউদবা
ৱাখল অনী ঙাংনৱে
তাৱে থাওগা ঈশিংগা।

লেপহৌৱে নুংগুম ঐদি
পাইখৱে য়াঙনা মাদি
লাক্লে য়ুমদা য়ৌৱক্লে
হিল্লে ফমুংদা নীংঙমদা।

মহৌশা নংবু তাৱোনে
পুক্লিংগী চম্লবা ৱাকংসে
ৱাহল্লি ঐবু নিত্তিগী
অস্থুয়া অচীকপদা তত্তুনা।

ইচল মানবী নুজাও!
খন্দবনা খঙদবা ৱাখলনি
থম্মোয়সে য়েংবা য়াবনি
মীংনা মিংশেল শকপনি।

নীংথিবা মায়থোংনা কৈদৌনি
খম্মোয়গী অচম্বা উত্রবদা
অকনবা পোকপী ওইয়ুকো
পুন্সিগী ঐস্নু নীজগে।

রাথলগী পোংলুম পুবদা
পূক্নিং নংগী খোইশাউবরা ?
লৌশিং চাউবী ওইয়ুকো
নচামা পাম্নোম তিংনবা।

জগৎ শেম্মি নংগীনি
মালেম নংগী শক্তম্নি
লৈরাংস্নু নংগী নওংনি
অঙ্গংবা মায়থোংদ উংপনি। ☐

শোয়দনা

অশাউবা উত্রবা হকচাংগী
অঙৈংবা ফজবা মঙালনা
থেংবদদা পুঙমদে থম্মোয়সে।

অতাংবা নীংথিবা চীনবানগী
নুংশিবা খোঞ্জেলগী ঈপোম্না
শোকপদদা নিক্লেনে হকচাংসে।

খোংবান চেনবা মীগী
থৌগৎ ৱাহৈ মতৌঙুম
চংখিবরা খঙদে পুক্নিংদা।

নংঙুম্না ঙাক্না ওইরম্লবা
অঙুবা ঙাক্না হিংলম্লবা
ইরম্নোই ঐনা ময়েকসে।

নহাকপু ফংজবা অচম্না
পলেম পম্খৌ অনীদো
ঈশ্বর নীংবা ওইরমগনি।

থম্মোয় য়েংলে চাউরমগনি
মীংস্না য়েংলে ঈংলমগনি
শোয়দনা মগুণ লৈরমগনি।□

হায়দোক্কে খল্লমাল্লে

মরুপ্নি ঐদি মীতাংবশিংগী
লাইৱিক লাইত্তু হৈজত্রবা
লোমী শিন্নী থুদিংগী।

ময়েক্লা থল্লবা লামায়দো
শংত্তিনা কুণ্ডলবা চেমাদো
খেন্নদে মখোয়দা করিমত্তা।

অমোংপনি মখোয়গী নুংশিবা
মীচংনি উপাল ৱাপালনা
নুংঙাই য়াইফ খায়দবা।

হকচাংগী শরুকসে য়েন্নৱবদি
থূস্তনা মখোয়গী শরুক্কি
থুরুম্নবা ঙনবা লাকপনি।

নুংঙাইনা শাথিদে নোংমৈসে
হৱাউনা শেমখিদে বোমসে
হায়দোক্কে ঙসিদি খল্লমাল্লে। □

পুক্লিংগী রা/৩০

শাম্লবা মীৎম্নাদা

তাইবঙ কৈথেল'সিদা
কাওননবা অরাবা
ফম্লি চাইথোক্লুনা
লৈবিদ্রবা পোং ঙাক্লা ইমাঙদা।

চোকথরক্লে য়েংবদা
মীপূম খুদিংদা
লেংদনা মীংনহাদা
কোয়না লৈনা মীংবদি থুংদনা।

ইখোনস্থু লোম্নবদা
পাম্বোমস্থু হীক্লবদা
খোঙথাংস্থু লূম্নবদা
হৌগংপা কাওহ্না ফম্লি লৈপাক্লা।

চামথোক্লুনা চৈশিংনা
তৈথোক্লুনা ফিজ্রেংনা
য়েংলি পায়দুনা
খুইরক্লবা কংলক্লবা পোংশিংদো অমমংশু।

শিংকনিস্থু খঙদ্রবা
শিংলোইস্থু রাদ্রবা
রাখল অমনা
নোংক্লাংদনস্থু নোকহল্লি শাম্লবা মীৎম্নাদা

তান্নরুবা

চেনগনু পন্থুং লাপখিনু
লাক্লো ঐগী ইমাঙদা।
অতিয়াগী ঙমখৈ য়ৌখিদরা ?
পুন্সিনা তান্নবা ফংলোইদরা ?
খনবদা ৱারেনে ৱাখলসে
নত্তৌদা কায়রেনে থম্মোয়সে।
ঙকশমদা হুক্কে খন্দুনা
মতম চংনা লেংজবা
পিরাংনা শেন্না পরেংসে
লৈরাং নত্তে পামদবরা ?

চেনগনু পন্থুং লাপখিনু
লাক্লো ঐগী ইমাঙদা।
পুন্সিগী ঙমখৈনা কৌবনে !
মতম্না লেপ্তুনা চেনবনে !
অনী অসে উবদা
অকন্না হকচাংসে পাইনীংলে।
অয়াঙবা মতেংস্থ য়াউদনা
হাংলবা খোঙনদা চেনবদা
ঙাক্ষম থেংফমস্থ খঙদনা
লৈমায়দা শোয়দনা তুরনি।

পুক্নিংগী ৰা/৩১

চেনগনু পম্বুং লাপখিনু
লাক্লো ঐগী ইমাঙদা।
ৰামা ৰানা কপ্পুবা
ঙাংনিং ঙাংনিং ঙাংদবা
জীব পানবা খুদিংস্বু
মওং অমা তৌরক্লে।
চাউই হায়বা মালেমসে
মতুম তায় হায়হ্না
কমলাগা প্রমাণ তৌবদগী
পিশক পীক্লা উরক্লে।

চেনগনু পম্বুং লাপখিনু
লাক্লো ঐগী ইমাঙদা।
কংলবা চীনবানসে উবদা
কুৎলবা মীংসে য়েংবদা
মংনা ঐবু কিরবরা?
নুংশিবা মচেৎ পোক্লবরা?
হান্নবা পুকসে পায়হ্না
চীং তুরেল লান্নক্লে।
তেংথা তেংথা কৌবদা
অমেঙবা খোঞ্জেলস্বু মাঙলক্লে।

চেনগনু পম্বুং লাপখিনু
লাক্লো ঐগী ইমাঙদা।

মীংথিবা নংগী উপালদো
মীৎয়েংনা চুপ্তু্না চেল্লকপা !
অথুম্বা নংগী নহৈদো
ফংগনি পুক্নিংনা লেপ্লুবা।
থাজবা পুম্বা থমহুনা
নীংজবা পুম্বা থাহুনা
অৱাববু চেৎনা কোল্লু্বা
নোংদোলবু লাম্বা তারদরা ?
চেনগনু পম্ন্তুং লাপখিনু
লাক্লো ঐগী ইমাঙদা।

অৱায়বা

লিরসি ঋাগী নুংঙাইবত
অনৌবা য়াওলগী ঋাগী ।

হোল্লসি হিংচাবা হিংচাবগী
পাইহল্লনুসি শগোলবু উচেক্কুম

চপ্লরোই কনামত্ত ফিগুম
লেল্লরোই বনামত্ত উগুম।

উৎলরোই মীএং য়েংলরেই
হিংহল্লরোই মীবু অশিব ।

শান্নরসি মালেমগী অশংবা
শন্নসি তাইবঙ তানবা।

উৎলসি নৈপাক নৈপাকওইনা
থক্লসি ঈশিং ঈশিংওইনা।

অবায়বনা পানবা মালেম্বি
অচঙনা ওনবা অচুম্বনি। □

পূক্লিংদা

লমদম'সিগী মীশিংসে
মাযকৈ মাযকৈ নায়না
ফগ্লিবরা চংলিবরা লেপ্লিব্রু?
হংলি থম্মোয়না অচৌকপা —
করি হায়না খুমগনি
তাক্লো পূক্লিং তারগে।

চিথ নাম্থ খোমবস্থ
পায়্লোই নংনা শৌজরোই —
অচুম্বর অনী শুবরা?
পুক্নাগী পোংলম্না কৌরোক্ইদরা?
'সিগীস্থ নংনা য়েংকদরা?
তাক্লো পূক্লিং তারগে।

অউংবা মালেম্না ভুওদরে
মীংযেং মাগী মরাল্লা?
লেপ্লৈসি লাওসি খল্লিনে
অচম্বা থম্মোয়না য়াব্রিনে
ফগা লোইরে হায়ব্রিনে
তাক্লো পূক্লিং তারগে।

পাওখুম

ইকায়বখু হকচাংনা উংলবদি
হংলগে হায়রো পূক্নিং
ইকাংবা কদায়বু কৌই ?

পাওখুমদো ফংলবদি লায়না
খুমলো অমুকস্মু লম্ভনা
হোংনদ্রিবা করিগীনো ইকায়দনবা ?

পোক্লবদি শিগনি শোয়দনা
শিবগী রাবা য়াওগদরা ?
খল্লো পূক্নিং 'সিগীস্মু।

লৈপাক্তা তিনগদবা হকচাংনা
লৈপাক্তি হুকপদা মশাউই
খঙদনা চারে মখাস্মি।

পৈশাত পাম্লে খোমজিল্লে
থোংহনা চাবদি ময়াদে
য়োমহনা পুবস্মু মঙমদে।

শরু পান্দে খঙলবস্মু
ফাদনা ঙাংবা য়াবরা ?
তংনবা চিংকম থোকপরা ?

মুন্না খল্লু পূক্নিংও !
অচীকপা মকমদা লাওদনা
পাওখুম হৈবরা য়েংলগে।□

খলহৌৰবা

মাঙদা চালুক থাহনা
অহাউবা মথেম তোক্লুনা
মথুংনা ময়াদা হুক্লিবা
মীহুবু চগৌগুম য়েংলগা
"হংলুই মাবু কৈদৌরি ?"
খন্দেদকো ৱাখল নহাকসে।

হিগ্নে ফমুংদা পোখারে
মোংমগী নথৌ লোইরগা
শহুম অমা তারকই
"তুম্লবরা হংখি থোংজিন্দগী ?
"তুম্লে হেক্তা মখুমলুই"
খন্দেদকো ৱাখল নহাকসে।

ঙসিদি ৰন্দনি গাড়ীগী
থঙখি নংশু অয়ুক্তা
ফুঙ্গা ৱাগী শাবদদি
"তক্লুই চৎল্লুসি মরুপ্তা
গাড়ী তোংহনা খুঙ্গংদা"
খন্দেদকো ৱাখল নহাকসে।

ইখাউদা কলম থেৎলগা
হংলুই অমকপদা উবরা ?
ইমাদা পেন্সিল য়েপ্লগা

শুকুই ফংদরে মাংখরে
'সিবু করি মওংনো ?
খন্দেদকো রাখল নহাকসে।

কৈ-দস্তু খল্লগা মতুমই
মপু উরগা মচেল্লি
নুত্তিগী খরদং খন্নরবদি !
পূক্তা লৈবা পূক্নিংগা
কয়া নীংথিগনি মায়থোংদো !
খন্দেদকো রাখল নহাকসে।□

হিংবগী জগোই

পুক্নিংনা মালেমগী খল্লবদি
থম্মোয়সু তাইবঙগী নীংগনি
অতাবা মখেদ ইগনি
অউবা মখেদ থাগনি ।

অসিনা অস্নুম ওকচরে
'সিগীবু লোইনা ইঙমবরা ?
রাখলনা তত্তনা হংলরে
ইকোক নোম্না য়াঙ্ভরে ।

অচুম্বা মাগী মগুণবু
ভীবনা করম শক্কনি ?
মীরাওখোল্ল তাদবা মফম্মু
মালেমগী কদায়দা থিগনি ?

ইখাদা নেংলিবা লৈপাকসে
মালেম থুংনা মশিল্লি
ইথক্তা উরিবা মচুসে
তাইবঙ পূম্বনা ময়েংলি ।

ইয়াদা হুক্লিবা চীঙ্গাকসে
জীবনা শেম্বা ঙমদেনে
মচু নায়দবা ঈশিংসে
থবায় খুদিংগী থবায়নি ।

পুক্নিংগী রা'৪০

মকমগী খেম্নবা থমদনা
থম্মোয়গী মাম্নবা পোক্কুনা
মীংয়েংগী অচৌংবা উত্তুনা
হিংবগী জগোই শাগসি।□

মমল

পীরৱোই লেপ্লে ঙসিদগী
পোঙনা লৌখিদোবা. পৈশা।

পায়ৱৱোই ৱাশক্লে চেৎনা
কপ্ত্না পীরম্বা পৈশা।

থম্লরোই নীংলে ঙসিদগী
শাউহনা শিংলকপা পৈশা।

লৌরৱোই থল্লে পুন্সিগী
থাগত্তনা পীরম্বা পৈশা।

চীং ককপগী শেলদো
লূম্মি চীংগী মতৌগুম।

লৈতোম্না তানবা শেলহৃদি
য়াংই লশিং মফোলগুম।

ৱারবা হকচাংগী হুমাংমলবু
করম্না লেপকনি শেলনা ?

থাগৎ ৱাহৈ অমগীনা
মমল করম্না পীগনি ?

থম্মোয় পানবা ওইরবদি
থম্মোয়গা থম্মোয়গা থেংনরসি।

মহুগী মমলমুক য়াম্বা
লৈরৱোই জগৎ অসিদা।☐

পোৎলুম

লূমগ্রেদ পোৎলুমসে থক্তা মল্লিবা
য়ামগ্রেদা থোদাংসে মাঙদা তারিবা।

থাংথবগী লোইবা লৈত্রবা পোৎলুম্নি
পাংথোকপগী খগ্না নায়ত্রবা থোদাংনি।

চাবা মচেং তুম্বা মচেং
লোইবা লৈতে খগ্না নায়দে।

হিংবগী কপ্তুনা শিবগী নোক্নুনা
য়াম্বগী হল্লাউনা লীকপগী ৱাহুনা।

ফম্লরোই ঐসে চেল্লনি লেপ্তুনা
তপ্লরোই থোদাং থুরনি পুন্সি।

উইনবা পানবা নৎলমদরে ইমীংসে
য়েংলগা উবা ওইরমদরে মপোকসে।

করম্বা মতমদা পোৎলুমসে য়াংগনি
অসিদং তাকপীয়ু তাইবঙবু লমজিংবা? □

হৈঃ হাঃ হৈঃ হাঃ

নুংথংগী খোঞ্জেল্লা
হোৱায়গী খোল্লাউনা
হৌদোকনি হোংনখি পোংলুমগী ৱাহৈনা
হৈঃ হাঃ হৈঃ হাঃ।

তুমশিন্নবা কাঙবুনি
উইশিন্নবা ঙাক্কনি
পম্বুংদো চুপ্লগা মফৈদদা চেনবা
হৈঃ হাঃ হৈঃ হাঃ।

থাবদি ৱাংনৈ
মহৈদি মুন্নৈ
ঈশৈ ওইরবনি মীৎ পাংবশিংগী
হৈঃ হাঃ হৈঃ হাঃ।

তৱাগী চৈশুনা
মঙাগী লেংথোংনা
য়েংলক্লি মীৎ কুপ্তুনা মীয়ামদা
হৈঃ হাঃ হৈঃ হাঃ।□

চেৎলবা ৱাশক

ৱাখলনা তাকপা পম্বুংসে
য়েংজৱগা ইতোম্মত অচীকপদা
পুক্নিংনা পেন্না পামজনা
থম্মোয়না জগোঈ শাজবা
মপু নওদি উৱিনি
ওমগদৱা য়োবা পম্বুংসে ?
তাকপীয়ু তোল্লবা জীবদা।

পুক্সিসে নুংঙাইনা হিংলোইদৌৱি
থৱায়না থাজবা পীৱরে
লাংলবা মতমদা থাবিবনা !
কপ্লোই হায়না মকপ্না
ৱারোই থম্না মৱানা
য়োবা ওমগদৱা চেঞ্জৱি
ইদোম চীক্লা খাওজৱি।

কোয়না লেপ্পুনা য়েংলিবা
জীবগী পল্লোন কয়ানা
অউবা তাইবও মথৈনা
কপ্লিদ হায়না থেম্বিবা
ঙাইহাকস্থু নোকসি মহায়বা
থম্মোয়না য়াবদ ওমদরে
থৱায়না পাম্বদো থোক্তরে।

পুক্নিংগী ৱা/৪৫

চেনখিনি লেপ্লোই চেনখিনি
হুকচাংদা থরায়না নৈরিমথৈ—
ঙমদবা মতাং থোক্লবস্তু
লাউরোই হৌমা নোক্লরো!
উবিম্বু উবা ঙম্বা
তাবিম্বু মপূ নহাক্তদি
থরায়গী চেৎলবা রাশকসে।□

পুক্নিংগী মৈচাক

মচেং তান্না শেগায়রবা
অঙোবা চেন্না মথৈসে
মৈরিনা কেম্না চান্নবন্থু
উফুল মরিক ওন্নরন্থু
জগৎনা মাঙদে হায়নৈনে।

তাইবঙদা মুৎপা করিনো?
জগৎনা কাউবা কনানো?
মালেমদা থরায়না ঙানবগুম
অতিয়াদা থরান্না মকুপ্লি।

পুক্সিগী পান্দম করিনো?
হিংবগী থাজবা কদায়নো?
থাজগী মশেক্তা পামজরে
পামেলগুম কথোকে লেপচরে
চীংদোন্দা লেপ্লগা লাউনীংলে।

লোম্হোকপা উচেক ওনঙন্নবা
তোংলোই উশাদা নোংমফাউ
চীংদোন্দা লেপ্তুনা য়েংলুনি
রাংনা রাংনা পাইকনি
তাইবঙ তানবা শরুনি।

ইনাক্তা য়োম্লিবা নামিবা
নওমা তাইবঙ শিল্লবদি
থম্মোয় খুন্দিং চংহনা
পুক্লিংদা ময়ি পীরম্লগা
রাখল ওইনা থোক্লরোনে।

অরাপ্পা অনকপা মালেম'সিগী
চীক্লিবা মফম কয়াদা
অচম্বা থম্মোয়দো থেংনরবা
চিল্লবা খুজেংদো পায়শিল্লু
মায়থোংদো ঈংনা য়েংশিল্লু।

কপ্পা কোম্মা থেম্লগা
চীক্লবা নৈকোল অমদা
থম্মোয় অমস্থু তেংথাহৌই
মীংলু নাউপোম খুমহৌই
তম্বিয়ু অসিস্থু কাউদনা।

চুপশিন্দবা থোক্লবা পিরাংসে
পুখিদবা তারবা অশাবনা
মালেমগী নৈমায়দা তারিবা
মীংলুগী লেপ্পুবা ঈরাসে
খঙগনিকো পুক্লিংগী মৈচাকসে।□

শোম্বরক্লবদা

তেক তেক চংলিবা ঘড়ী
থোকনি করম্বা মতমদা নহাকপু
তাইবঙগী ইরোল অচুম্বা ৱাঙাং।

য়াল্লবদি নওনা য়ুমথোং খুদিংদা
লাউবা ওমদরা অৱাংববু নমহন্তুনা
চৈবা হৈতৱা অতনববু উৱগা ?

ফুগদৱা য়েংই উবদা মায়থোং
শেন্নৱিবৱা নীংই চংলমদাই খুদিং
শাউগদরা থেম্মি চংলমদাই মতম।

ঙাংগদৱা ঙাইরি তাবদা নখোন
চংখিদৱা শৈম্নে পান্দুনা নখোঙ
পাইখিদৱা ৱাজৈ হাপ্তুনা নশা।

করিবু খন্দুনা ঙাংদনা মুংঙাইরি ?
কনাবু উহ্নুনা উংলি তুমিন্না ?
করম্বা মতমদা তাবিগনি য়াৱাসে ?☐

পুন্সিংগী য়েৎকা

হিংবগী মতম

"তুম্বগী মতমন্তু তিমশিত্রবদি.
চাবগী মতমন্তু থাইদোক্লবদি
হিংবগী মতমদো কদায়নো ?

কোয়বগী মতমন্তু কায়থোক্লবদি
ঙাংবগী মতমন্তু লৌথোক্লবদি
হিংবগী মতমদো কদায়নো ?

চৎপগী মতমন্তু য়েংবিত্রবদি
শেৎপগী মতমন্তু থমবিত্রবদি
হিংবগী মতমদো কদায়নো ?

য়েংবগী মতমন্তু য়াওহত্রবদি
থমবগী মতমন্তু থম্বিত্রবদি
হিংবগী মতমদো কদায়নো ?

তাবগী মতমন্তু পীবিত্রবদি
ঙাইবগী মতমন্তু লৈহক্লবদি
হিংবগী মতমদো কদায়নো ?"

রাখলমা রাকংলি মুত্তিনী
থলমা তাক্লনি অরোইবদা
হিংবগী মতমদো কদায়নো ? □

পেলহনবা

"মায়খোংত পাম্বা খিংশেল
অঙকপনি নঙগী থোদাং"
লাউরগে 'সিতদি তঙনা
নঙগী মাপদা হৌনা।

"থাক্কয়া পুন্সিসে থবক্কা
পায়দরা চীঙাকসে থুবাংলা"
অসিবু খঙবরা মশানা ?
হংলো তানীংলে থম্মোয়না ?

"মথৌনি মাগী ঙাংবত
হৈজবীনি মাগী পেন্নবা
লোনম্নি মাগী মীনোক"
অসিবু নঙমা কাউবরা ?

য়েংঙু মুম্না থন্নুম।—
"অমোং অকাই মরক্কা—
পুদরা কোকখোংসে খোঙতনা ?"
মঙমা লুনা কোন্দবা।

লুক্কা মানা য়েংলবা
উপমি অঙবা অঈংবা
শাউগে মপোক্কী হৈতকা
পুন্নিংদি মাঙনা পেলহনবা। □

পুক্নিংগী ৱা/৫১

মায়কৈ পুন্না

শেক্লেংগী পুখমদো লংলম্মি
অকনবা নৈমায়দা তারম্মি
মচেৎনা পান্দোগুম নীংলম্মি
অহুবু কোয়দি খল্লম্মি
মাস্থু ঐগুম উরম্মি
ইতোম্মত ইপুক ফারম্মি।

চৌকিদো ঐনা য়েংলম্মি
মমীং মখুৎ হংলম্মি
ঐবু তম্না কৌরম্মি
লাউন্থু লেপ্পনা খেমলম্মি
ফম্লো তোয়না হায়রম্মি
মাস্থু ঐগী ৱারম্মি।

অৱাংবা পাম্বীদো নৈরম্মি
মচুদো মায়খোংগুম উরম্মি
ঐনা মীৎস্নাদা য়েংলম্মি
খম্মোয় য়ৌনা শোকলম্মি
নৈনা জগোই শারম্মি
ঐগী পেজবা ফংলম্মি।

ঘুমদা চংলগে তৌরম্মি
থোংজাউদো কোম্বোংনি থল্লম্মি
মনুংদো লম্বীনা থল্লম্মি
মথক্তা অতিয়া মালম্মি
থাজ থরান থোক্লম্মি
মরুমদা ঐনা হিপলম্মি।

থোয়েন মংলান মংলম্মি
থরায় কৌবদো লাকলম্মি
ঐঙোন্দা মানা তাকলম্মি
পুন্নমক ঐগুম্বনি উংলম্মি
ঐনা ঙকুনা য়েংলম্মি
মায়কৈ পুম্বা ঙাল্লম্মি।□

পুক্লিংগী ময়াঙ

অমত্তু ওইবা

অমেম্বদা পানবা
হৈনৌ অমগি
ওম্মি ঐস্ু
হেকপা লামহুনা—
ওম্মোই হেকপা মালেমগীদি।

লমহেনবা ওমু
থক্কুংদা চোংলিবা
ওম্মি ঐস্ু
ফাবা লায়না—
ওম্মোই ফাবা মালেমগীদি।

ইন্নুমদা চংলবা
য়াঙ্গংবা হুখানবা
ওম্মি ঐস্ু—
পুনশিনবা থোরীনা—
ওম্মোই পুনবা মালেমগীদি।

লোংঙৈপকী মনুংদা
লোম্ভুনস্থ চীক্লা
ওম্মি ঐস্থ
থঙবা পৃথ্বীগী—
অমত্ত ওইবা মালেমগী।□

পুক্লিংগী ঋ/৫৪

হন্দক মপোক্কী

অকনবা অরুম অমনা
কোমহল্লবা য়ামাওগী য়াদো
শংহল্লুবে লোংমা ভাক্তবদা।

অহোনা অহুবু উরগা
হায়রকখি লম্বীগী লৈরাংমা
মমা তোমো হায়হুনা।

ভাবদা মখোয়গী রা
হায়রম্মি ঐনা অম্মুম্মা
মেন্নম্মি তপ্পা নাপদা।

"কোংনীংলবা চীনবাম্মি মেক্তুম্মা
মেন্নীংলবা থনাওম্মি থিবুম্মা
চাবা ঙাংবদা লোয়রবা।"

ঈশ্বরনা মহু উন্দনা
লোক্লবা ঙাক্লবা তোক্লবা
লৌবিথরবনি হন্দক মপোক্কী।□

লীপুন অমা

পুক্নুংগী ইকচাংগী কুপ্পবা
নৈরগা রাখলগী চৈকোৎলা
লুপখরো পুন্না ইখাদা
মাঙখিদরা য়েংসি নোক্লীংবা।

চিংনবা পুম্বা নমথেক্তুনা
অশাউবা মৈরিক্ মুখত্তুনা
চংলো লৈকোন্দুদা নীংখিবা
উদরা য়েংসি কজবা।

চীংগা তময়াম্ চখোনবা
মচু মথেমস্থু তমহংপা
পোখাকম শুইবা অচাকপা
কংদরা য়েংসি অপেনবা।

অপাম্বা চৈশিং কক্তুনা
অশেংবা অচম্বা ফংহনা
মীংম্বাদো ময়েক লানবা
থোক্তরা য়েংসি অচম্বা।

কোরৌগী মঙালম্থু শাদবা
অক্রবা ঊশিংস্থু:রাঙবা
থকসি খাসি নায়রবা
লীপুন্ত য়েংসি কীদরা ?□

শেংলবা ময়েক

চীং তুরেল লান্নবা
পূক্নিদো ঐদি থবগনি
মপুং ফাল্লি শোননগনি।

লৈতেম মান্নবা লমদমদা
উরুম ৱারুমদা শেংল্লবা
পূক্নিদো কয়ম্মা কল্লক্লি?

তুরেলদু থোংবা থমবিবা
চীংদু হত্তুনা তেনশিনবা
মপোক্তা অকেন হুপাংবিনি।

পান্থোব কৈগন ৱোয়্গা
চীংদু লোকতু লাল্লবা
মচুতনা মমেক শেংবনি। □

পুক্নিংগী রা

অয়েকপা পুন্সা মচুনি
মচুদো পাক্লা তৈবনি
হৈনা শিংনা মূকপনি।

ময়েক পুন্সা শক্তম্নি
তুম্বিনা হংলগা থোকপনি
খম্না য়েংনা খোংপনি।

উম্বিবা পুন্সা চংলিবনি
তাম্বিনা অচুনা লাক্লিবনি
মালংদা লোইনা ফাওম্বিবনি।

অনম্বা পুন্সা মমিনি
মঙালনা শাম্বা ঙাক্তনি
অথংপা অতুদা তাবনি।

মঙালগী লম্সী উদবনি
য়েকপনা মপূং ফাদবনি
তাইবঙনা লোইনা খঙনবনি।

মাক্তা ফম্বা উংনবনি
তখায় অমা য়েংনবনি
কনানো খন্দবা ফংদবনি।

পুক্লিংশী রা/৫৮

ঙাংলিবা পুম্বা থোক্লিবর্নি
অতাবা মখৈনা য়েংলিবনি
ৱাখলনা শাম্না ঙাক্নি।

উংলিবা ময়াম্সে অয়াম্বনি
লোংলিবা কয়াম্সে অরুবনি
মায়দে শাউহ্না লাউমশ্বনি।

শেংনা ঙাকপা য়াদবনি
মচেক্না য়ৈহ্না ঙাংনবনি
অসিগীদমক কপ্লবনি।

কনাম্ভু থওদবা লৈতবনি
থম্না উনা থোক্লিবনি
অসিগীদমক ঙাওনবনি।□

পুন্সিংমী ৩/৫৩

পোক্লগাম্বনি হায়না

ঈং থাম্বা কোক্লবগী
পাং থাম্বা শ্রিংলকপগী
অক্লবা ইপাক্লবা খাক্লবগী
ঐনা লাউখি ঐখোয়সে
অকনবা জীবনি হায়না।

মী ছাক্লবা ছায়রকপগী
শা পুম্বা শ্রিরকপগী
উচেক ময়ায় অক্লকপগী
ঐনা লাউখি ঐখোয়সে
যুগম্ভিন্নী অখৌবনি হায়না।

অরাংবা মফম কুংলকপগী
অকুংপা মফম থোল্লকপগী
অঙৈং অশা ওল্লকপগী
ঐনা লাউখি ঐখোয়সে
লিংজেল মাম্বরবনি হায়না।

দলাম ভাক্তা ভায়রকপগী
সহর ভাক্তা ওল্লকপগী
ভদবা লোইনা পামলকপগী
ঐনা লাউখি ঐখোয়সে
লম্লোনবা হৈরবনি হায়না।

মপাংগা মপাংগা শৈশিনবগী
মহিগা মহিগা য়ামশিনবগী
মনিলগা মনিলগা ত্তিনশিনবগী
ঐনা লাউথি ঐখোয়সে
অনৌবা উলংক্লবনি হায়না।

খুংলাই য়াম্না শারকপগী
বোম য়াম্না লীরকপগী
মিশিনা মীশিংদগী হেল্লকপগী
ঐনা লাউথি ঐখোয়সে
খুংশা হৈরবনি হায়না।

'ক্ষসি' হায়বা ব্রাহৈ'সিতগী
ময়েক য়াম্না ইরকপগী
চীংমুক ব্রাংনা পৈরকপগী
ঐনা লাউথি ঐখোয়সে
শিংথবা জীবনি হায়না।

শাশিংনা নোকলক্কে মসিগী
ঙাশিংনা ঙাংলক্কে মসিগী
উশিংনা শাউরক্কে মসিগী
মীতনা নীক্লি মসিগী
পৃথ্বীসে পোকথায়রবনি হায়না।□

অপৈবা মীৎয়েং

হৌরক্লবদি অঙ্গৈবা পুক্লিংগী ঈছলদো
কম্না থেংলৈনে থম্মোয়গী তোর্বান্দা
খাঙবা ঙমলক্কে অয়াবা ওল্লকই
মতম থয়গী ওইবা হকচাংদা।

হৈবা হৈত্তবা তাবা তাদবা
ময়ী লৈনদে খাম্বা খামদবা
খোঙকম চেংলক্কে তুগে ভৌয়কই
মতম থয়গী ওইবা হকচাংদা।

অশাউবা মাঙখি তুকথবনা নল্লকই
চেবাংদা চৈঙাক পীয়কই কলম্না
চেবাংগী চেবাংতা উয়কই অহাংবা
মতম থয়গী ওইবা হকচাংদা।

কংলেবা আশাদো চাকলকপা মতমদা
অঙ্গৈবা নোংগুম্না য়াখলতা ওায়বদা
য়াহল্লি অমুকস্থু ঈপোমগী লৈইনা
মতম থয়গী ওইবা হকচাংদা।

হিরাগী কাদা মণিগী মঙান্দা
লোক্তুনা খাঙলিবা এটোম বোমগী
অপৈবা মীৎয়েংনা অমুকস্থু লংনবা
মতম থয়গী ওইবা হকচাংদা। □

পুক্নিংগী ম্যাগ্

মীকুপ থুদিং

পুক্নিং নঙনা ঙাইংবা
করিগী থৌদাদে রাখলদা
নক্না চৈনা ওংলিরা
অরাংবা চীংদে ক্নেরা।

পুক্নিং নঙনা শাউরবা
করিগী থৌদাদে রাখলদা
চাক্লিবা মৈরিদে মুংনবা
অশেংবা ঈশিংদা তৈরবা।

পুক্নিং নঙনা অকনবা
করিগী থৌদাদে রাখলদা
অনৌবা নৈরাক্তা থানবা
লৈংলিবা শীংজেলতা থাংনরা

পুক্নিং নঙনা অচম্বা
করিগী থৌদাদে রাখলদা
মকদো চংখোংদা কুমবা
পাম্বৈদো কন্থনা শোমবা।

পুক্নিং নঙনা হুংলিবা
করিগী থৌদাদে রাখলদা
মীকুপ থুদিং লেংনবা
মতমদো চুম্না থামবা। □

পীখোক্লুবা

অরেম্বা নাম্নবা মখোয়গী রাহৈনি
লোইবা লৈতবনা ঐগী ময়েক্কি।

ঈচাওগী ঈমুখো থেংনরবা করিগুম্বা
মেনবা ওমদেনে চাউরবা হকচাংনা।

হক্লেক্লম্বা কয়াম্তু রাখলনা তাকলমদা
থল্লা থল্লা থুম্লক্লে পুক্নিংনা।

অদৈংবা পুক্নিদগী থোকলকপা মৈরিবা
চংখিবা তৌদনা চাকলক্লে লেপ্পুনা।

পুক্নিনবা ওমত্রবা মপোক্কী অরাবা
উবদা ওসিদি চোংথোক্কে লেপ্লে।

তোঙাম্না লেপ্পুবা অরিকপা মায়কৈদগী
লাউগে থল্লেনে অয়োইবা খোক্লেলদা—

"থক্লীংদে নখোয়গী অনৈবা ঈশিং
মিহৌদে থম্মোয়না মৈগুম্বা চীঙাক।

নীংথিবদি উই অশেংবদি লোংলি
নজবম্ না মউংলি অচুম্বদি পীখোক্কে।"□

থম্মোয়গী অমোংপা

তাকপীরু ইমা তাইবঙপালগী রাঙাং
মহুত্তনা চামজগে থম্মোয়গী অমোংপা।

হুমিং থা অকীদা নম্বরা
জগত্তা হোংদবা করিনো হংলগা।

মৈ ঈশিং লৈপাক অতিয়া
মরীতনা শাবরা মীওইবগী হকচাং?

মৈরা পায়হনা মালেম থুংনা
অকনবদো থিরুই থোকলক্কে কনামত্তা।

ঐগীনা করিনো মীগীনা কদায়নো
য়াওরম্লোই চুম্বরা চৎলমদাই মতমদা?

মালেম অমত্তনি ঈশ্বর অমত্তনি
অসিফাও চীনবাম্না হায়জবা থোক্করি।

তাকপীরু ইমা তাইবঙপালগী রাঙাং
মহুত্তনা চামজগে থম্মোয়গী অমোংপা।□

পুক্সিং [illegible]

মীংয়েংবা

খমথেংবা মতোম্বগি নৈশিদা শাংলিবা
মোয়বা মকমদা লাক্লা কংমবা।

করাবি [illegible] [illegible] [illegible]ঙাংবা
ভপা পায়হুনা থাদোকপা কাউহুনা।

অসিরা [illegible] মাঙী পুক্সিদা
থমোয়মু চাকহুনা মৈরিথি থোকনা।

মনমতা কংনদা পুক্সিংবু চিংলিবা
মশক্তা [illegible]বদা মাংলবু ভাওহনবা।

মাগী মতৌদা ভেমবা পুক্সিদা
থমক্কে অহুম্বা [illegible] নৈক্রা—

“তাইবঙসে থাবগী' কপ্পবা হায়হুনা
মপোকলে মোকলিরা কাউজবা থম্নুনা।”

খঙলমদে থম্বোয়মু মেংক্রিটৈ মীংয়েংদা
নোক্লশি তোয়না কিজোং নৈতেংলা।

অহুবু ওসিদি শিংনবা উরগা
কুমজানা নোংদোলবু থক্নে থামলসিরা।

খুং- তিংখোয়কুনা অরোইবা পাজলদা
থোমহুনা চেন্নুনা ছুরেলগুম অমোংপা।

থাইজৈ 'অঙাংহুনদি' শাংলনবা হায়বা
মীংথিবা শীরোংলর্ক্কে অমাবা কংবদা। □

[illegible]

মীংনহা

পুকচেল [illegible] [illegible]
খঙ্গোয়বী [illegible] খুদিংমক
[illegible]।

কিবা ইকায়বা অরাবা
[illegible] খঙং পুম্বম
[illegible]।

[illegible] [illegible]
[illegible]
পুক্কিংনা পাম্বম [illegible]।

[illegible] [illegible] মীং
নঙগী পীরুবা মীংনহাগী
থম্মু ময়াম্নদা অঙ্গোবগী।

[illegible] মীংশন্থ [illegible]
[illegible] নঙগী [illegible]
তাখিনি খঙ্গোয়বী অশোয়বা।

নঙোন্দা আরা মখিদো
পুক্কিংদা শেংনা শঙবনা
[illegible]।

খাওহম্লনা থবা ওয়বা
[illegible]
[illegible]।

চেকপাল মহুংবা

নৃমিংগী [illegible] [illegible]কই
বাথলগী [illegible] খেংনবা
খমোয়গী [illegible] [illegible]কই।

মিংথেরুদে কাওহুরা, য়েংলুকই
কঙ্গাংগী মুমিদো উরুকই
অকায়বদো করম্বনো ওকলকই।

থোংনাওজাদা কাওহনা য়েংলকই
[illegible] মৈদুদো বাতোকই
নুংশিংবে [illegible] নোমলকই।

খমোয়দে য়েংহনবগে চীংলুকই
পায়হনা উংলগে শিংলকই
ইদোম হুমিন শোয়কই।

তুংদে তা[illegible] থরকই
মাও[illegible] [illegible] [illegible]কই
তাকপা থেংকম [illegible]কই।

চীংদগী উমা হেনকই
উমগী খুংগী বাংলকই
খুত্তগী থীংবা ওমলকই।

ঐ [illegible] [illegible]কই
বাথলগী [illegible] [illegible]কই
মহুংদা মহুং চংখ্রেই। □

খুদি খিনা

ঈশৈ নুংঙা শাওরকই
নাজোং ঐগী খোঙ্গকই
মর্ম অহংগী থরকই
মরৈ কন্না য়েংলকই
বাখলনা ঊমহুংনা ইন্নকই
ঐনা লাপ্না থোক্লকই।

লাইরিক পাকম চংলকই
মঙাংগী কানি থরকই
কঙ্গাংদো কোয়না য়েংলকই
ইচীং ঐগী খুমলকই
বাখলনা লাক্নুনা লংলকই
ঐনা লাপ্না তারকই।

কুইম্ মকম য়োংকই
অয়েকপা লাইনা কৌরকই
ঐনা তুংনা হল্লকই
মীনা কোয়না য়েংলকই
বাখলনা শাউনা মুরকই
ঐনা চৈনাদো থাংলকই।

ইরাং ঙৈরেঙ উহুংই
মীয়াম্দো লাওনা আরকই
পৈশানা ঙাংনা য়েংলকই
মমলনা তুকথনা কম্থৌই
বাখলনা ঐখু চিংলকই
খুদি খিনা হল্লকই।□

পুক্রিংগী বাংঙ

চেনগা হিংদোবা

লানীনি ঐকোক অনৌরা য়াওলগী
লিপাইক্কি ঐখোয় খুৎলাই পায়দবা।
লিবন্থু যাই লোকপন্থু যাই
হবাদোবনি নঙে মীচেম্নি ওইরোই।
নায়ৎলিবা অফম হোংলোই শিক্রিকাও
যাগকখিবা অরেপ তাকখিনি পোলোইকাও।
কংখোক্লমগনি ককচাং উপালগুম মীয়ামগী
চেনগা হিংদোবা নঙে শূক্লিসে।
লেপসি খোংফম চেংনা মকম'সিদা
লাউখিসি পেন্না কয়ারক হন্না
ওস্বা য়েংসি নৌরবা খোঞ্জেলনা
চেকশায়হনবা অতিয়া অমী থোক্লা।
খিনপায়সি খুনিংবা হোংনসি লেপ্পুনা
মাঙহনবা ওমগনি চমখোক্লদবগী চীং।
কাওনি কয়ারক চোংশিন চোংশিন্দুনা
কীন্থনি শোয়রোই ফুম্বংনবগী ফক্লাং।
শিদোকসি ঐখোয় শিদৌবা নৈরবা
ককহনসি ইণ্ডক চোকথত্রিফাওবা খুজেং।
মেংহনসি থনাও ইন্থহনসি দলান্দগী
অশেংবা শিদো তাত্রিমথৈ অচুম্বগী।
নঙে ঐখোয় হিংদোবা য়েংহনা
'কল্লক খৌদেম' পাংদবা মীগী।
ওইদে পুক্নি পেন্দৌবা উহনা
'উশিংতা তিনশিং' তাংতৌবা মীগী।
পৃথ্বী নৈগে খল্লিবা তাইবঙপা

পুক্নিংগী থোং

ঈংলবোই হৃৎচাংলো ঈংখোই ঈশিংবা
থম্লবোই পুক্কো থম্লবোই চাক্কা।
কলথু নুংজাউত্তুম লুম্না থাংলিবা
চেথু লশিংগুম য়াক্না তাত্রিবা
কাউগনু নত্তে মৌংকী শৌ!
কায়রুমি মোংমদি অংবা লৈত্তোয়গুম।
অরানকনীদমক শাউখিবী অয়ম্বা কাউবু
ইকায়বা কদিজো থক্তিখিংথ রাখলনা
হাংকে লাউগনু থাংজ্ঞা লেন্দুনা
থৈংকে নীংথু খুক্কেংবা থমাওগুম
থাগে থনমনু খুত্‌য়া নুংসিগুম
য়ানগে তৌগনু খুংচেল্লা থাংগুম।
লাউখিদি ঐখোয় অমিতাং হায়দুনা
অথৈবা খোঙজেলদা অমিথা পোক্তনা।
লোংলোইদি ঐখোয় অহাংবা মালেম্মি
চেল্লোইদি অমংবা পাউজেলবা শাহুনা
চেল্লগা হিংদোকা মতৌ পুক্কিনে।□

উলালনা ডাংহৌবা

সহরদগী লাম্বা লাক্লপা
থুরংগী লম্বীদা
তপ্পা তপ্পা চংলিরক্লা
নাকন কাম্বদা লৌবা
খোংনাং
হৈনৌ
থৈবোং
নালিক
লৈহাও
লম্লিয়া—
পাম্বী কুয়না
তাবে—
ময়ুম মুরুম চাংনবা
ঈরংগম থাংগী অয়ুক্কি
শাক্লবা লৌমুকলিংদা
লৌগী অপেন্নী তোকখবে।
পাংবীং মীপৈ তান্নিরকউ
পন্থৌ শক্লবা লেয়রংগী
মক্কেক্তা থুম্না লাওশিনবা
লৈচিলগী লামমিনে ওক্লিবা।
কন্দিংকী লৈচিল
চক্কগী মৈথু—
কৌবিনে মখোয়সু।
লাণ্ডক লাণ্ডক লেণ্ডুনা
কাইহেগী

মৈগী
মুখীশিংমা পুক্কি
সহরগী ঈ-পাক্তা।
ভাবগা ভক্তি থুমংগী।
উ-বাশিংমা
চংকে হায়রি সহয়দা
ওয়ুরনি ঙংলি চোক।
পোক্লি মখোয়স্ত
তুমিন তুমিন
"চীংদমা ইকোক কোকপা
ভমদনা ইমং মংবা।"
হয়াউবা উরগা নুং-লৈজেৎফদা
শিংলবো লম্মম হায়হুনা!"
কপ্পে কোক্লবা চীংসে
তেংথাবি লৈচিলতক যেংহুনা।
"তাদবোই থনগন্নু তাইবঙপা
উদবোই নীংশন্নু নঙগী খুৎলাই
কপ্পবোই 'লোপন্নু ঐখোয়গী।
নবোন মৈতে মীরায়নু।"
অসিনি উপালনা ঙাংবা
লম্বীগী মতাংদা লেপ্পুনা।□

পংক্তি অমা

পংক্তি অমা চিংলসি
মীচং অনী থোক্লসি
যাম্বা যাম্নবা শিন্নুসি
শীকপা চাউবা য়েংহুসি।
অশেংবা শেংদবা য়েংলগা
অফবা ফত্তবা খঙলগা।

পংক্তি অমা চিংলসি
মীচং অনী থোক্লসি।
তীন্না থাঙলগা চিংখৎসি
মায়দা য়েংলগা খন্নুসি।
মথৌনা মশক তাক্লনি
মতম্না সাক্ষি ওইরনি।

পংক্তি অমা চিংলসি
মীচং অনী থোক্লসি।
খুংলাই পায়বা খন্দোক্লো
শেন্দোং পাম্বা ইখোক্লো।
নিশা পাম্বা ইশিন্লোই
মশাবু খঙদবা কৌবক্লোই।

পংক্তি অমা চিংলসি
মীচং অনী থোক্লসি।
খুঙ্গিনী লাকবা লাকপা?
মপোক্পী হদবা হিংদনা?
ওইজবা থাদোকপা য়াওদবা?
হায়জগে খনবা চত্তবা? □

মপুং কাব্বা

মোংমগী 'থাকীদু ইচেম চেনা
মীকুপ থবাদনা লীরিবা
কৈরেলৌডেলদু লীরিবদবা মোংমা চঙনা
লাইবক থীবনি মীওইবা।

থমুই অসিবনা পুক্নিংদু য়েংনরিবা
পাক্লবা ঈপাকী ঈমাইদা
তাকদবা মতম থওদনা তাউরিবা
কোজোলগুম ঈশিংগী ঈশিংদা।

লেংলনি নোমনি খেংবম্বা মালংনা
শারনি জগোই লৈনা
অইংবা তমহৎপা কনাগী তাম্বাদা
খোইরুম মোমোন মীমোক্তা।

থৌরম্বা থোক্লবা পামেলদু নাক্তা
তারমগনি য়েংশিনদু মুম্বা
মমি অমা মতুগী কজবা।
মবা পুংলবা চবৌনা।

অহবু কোজোল য়েংলুদু হৈরাংতা
মতম পুম্বা মথক্তা
লক্লবা হোংবদনা থক্লোমদু তক্লুনা
হায়বা মোঙদনা মাঙোন্দা।□

অউবা ঈশ্বর

ঐঙ্গি "হাপ্সি ভাঙনুবা
মীসে লাইনি
অউবা
হায়রবতং য়াদবা
হায়রংনগদবা।

মংলমমত্রবদি
ইরম্নি করিগী
থাজবি করম্না
থশোয়বু
মন্দিরনি হায়না!

থুম্নোনে নঙম্থু পূক্নিং
করম্বা মরমগী
খুরুমজবা
মীনা-মীবু উরগা
লাইশঙদা লেরগুম্না।□

নায়াঙুম লৌছনা

পোথাহনবিরো তুমহনবিরো ঐবু
নায়াঙুম লৌছনা
নঙগী নাওঙুম ঈশৈনা।
থুংহল্লগে থরক্লে
পম্লেমগী অনীংবা
পম্মোগী অপাম্বা।
অপাইবা লৈচিলনা
চীংমা তময়ানা
মোল্লনগুম থরক্লে।
কৌবিরো বাখলম্
তুমলমদাইগী অশেংবা
অচম্বা খুঙৈংবা।
জগোইনি থদবে
মাখিবা মুংশিংমা
পুরকপা ঈপোম
বাখলগী মনিল।
পোথাহনবিরো তুমহনবিরো ঐবু
নায়াঙুম লৌছনা
নঙগী নাওঙুম ঈশৈনা।□

শান্তি

নাক্লোনে কৌরি শান্তিনা
খুংলায় তোরনা থম্মোয়বু
নাপী খুংঙাইবা লৈপাক্তা।"

থেক্লি মূত্তিরী পুক্কিংদা
শীবো ভক্তি কণ্ঠনা
পূবিন্নি হায়রি খুংশাঁরনা।

অণ্ডবা অহুতা ভগনি
সুংগুক সুংজা উররোই
হিংবগী মঙ্গল থওলনি।

ৱায় হায়না হায়মরোই
তন্নে তোকে ঙাওলরোই
মতম্না মীয়াম্বু শেমনি।

অপুনবগী মশক থওলনি
সুংঙাইবগী ওমথৈ লৈররোই
কক্লবগী মপান নায়নরোই।

ঐগী মীগী নায়নরোই
নমচং কবা ঙাক্তনি
অহুবা অহুতা ঙাওমনি।

ইশানা ইশাবু থওগনি
অমগা অমগা শাংননি
থকসি বাসি মায়মনি।

ঙাওবগা তৌবগা মামনি
ঙাবগা শেংবগা থেম্নবোই
উবগা চংদগা ফুমনবোই।


চাক্কি কিবি ঙৌশবোই
অমোং অকাই থম্নবোই
ঐমা থহেক্কে হীয়নবোই।

অচৌ ঈশক থাম্নবোই
থখোয় খুদিং মামনি
লৌমী শিঙ্গী চামনি।

অঙাং খুদিং ইচানি
অহল খুদিং ইপানি
নুপী খুদিং ইমানি।

শামোই হজংমে কাম্নবা
পায়মোই চৈস্থ ফুনবা
শেম্নোই বোমিন্থ পৌকখায়বা।

অখাঙবা মীহুনা কইপ্লদো
অচুম্বা মীহুনা ঙাকপীদো
ইশ্বরনা খুমাং যেংবিদো।□



অইবগী মরমদা

খৃঃ কুম ১৯৪৭ শী আগষ্ট তাং ১দা কাছাড়গী লোনাই মমাংদা লৈবা জোড়াপুখরদা পোকই; জিরিবামদা চাউরকই। অপোকপনা শ্রীহৈক্রুজম ৺জীবন সিংহ অপোকপীনা শ্রীমতী (কৈশাম নিংথোল) ভদ্রাবতী দেবী কোই। হৌজিক্তি কৈশামথোং হোদাম লৈরক্তা লৈরে। ইম্ফাল টেলিফোন এক্সচেঞ্জদা থবক তৌরি। মহাক্নোন সাহিত্য প্রেমী সমিতি, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ অমসুং কলচরেল ফোরম অহমকী লাইক মেম্বরনি। মমাঙদা "চেকখাইরবা মালেম" কৌবা শৈরেংগী লাইরিক অমচু মণিপুরী সাহিত্যদা থুদোক তমখ্রে।